


# সনালৈবাক স্পোর্টস






*চাইনাগী সাংহাই সিটিদা পাঙথোকপা ব্লু বে লেদিস প্রোফেসনেল গোল্ফ এসোসিয়েসন টুরগী ময়ায় চনশিল্লকপদা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদগী মাঙজিল থাদুনা চৎলিবী সাউথ অফ্রিকাগী এসলি বুহাই*

*ইটালিগী ৱার্ল্ড কপ টাইটল ফংখিবা টিমদা শান্নরোই অমা ওইখিবা হৌজিক্তা চাইনিজ সুপর লীগ ফুটবোলগী চেম্পিয়ন ক্লব গুৱাংঝৌ এভরগ্রান্দেগী মেনেজর ওইরগদবা ফাবিয়ো কানাভারো*

## হকচাং ফনা লৈরবদি মায়োক্লবা লম্বা খুদিংমক মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ ঃ এমসি মেরি কোম

*গুরুগ্রাম, নবেম্বর ০৯ঃ*

হন্দক্তগী ভিয়েটনামনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং হো চি মিন সিটিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ কী গোল্ড মেডল ফংলকখ্রবী ৱার্ল্ড টাইটল ৫রক লৌবদা নত্তনা ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেডল অমসুং লৌবা ঙমখ্রবী হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাগী মেম্বরসু ওইরিবী মণিপুরী বোক্সর এমসি মেরি কোম্না মশাগী ফিভম ফিট ওইনা লৈরবদি মায়োক্লবা লম্বা পুন্নমক মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

হরিয়ানা অমসুং ন্যু দিল্লিগী লোন্নবদা লৈবা ইন্দিয়াগী নৌনা মমিং লৈরক্লিবা সিটি অমা ওইরিবা গুরগাওদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফমশিং অসি এমসি মেরি কোমনা ফোঙদোকখিবনি।

মশাগী কেরিয়রদা বোক্সিং মশান্না অসিদা চহী ২০ হেনবগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবী এমসি মেরি কোমনা ৱাখল নুংঙাইনা পাউগী সভা অদুদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না ত্রেনিং মখা তানা চত্থদুনা লৈবা ঙল্লবা অমদি মশাগী ফিভম শোক্তনা লৈরবদি মহাকপু মায়থিবা পীবা ঙমগদবা বোক্সর থিবদা ৱাগনি হায়খি।

বোক্সিং মশান্না অসিদা কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ৱার্ল্ড টাইটল ৫ রক ফংবা ঙমখ্রবী এমসি মেরি কোমনা কুমজা ২০১২ দা অহানবা ওইনা ইংলেন্দগী কোনুং লন্দননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা ওলিম্পিক্সতা নুপীগী বোক্সিং দিসিপ্লিন অসি শরুক য়াবা হৌখিবনি।

হায়রিবা ওলিম্পিক্স অদুদা কেজি ৪৮ গী কেটেগোরি য়াওদবা মরম্না এমসি মেরি কোমনা ৱেথ কেটেগোরি অমা হাইগৎনা শান্নদুনা কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা ওলিম্পিক্স অদু শরুক য়ারকপদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিংদা য়াম্না চাউনা পুৱারীগী লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখিবনি।

ঙসিগী পাউগী সভা অদুদা মেরি কোমনা মহাক্কী মখা তাবা সেদ্যুলদা মথং চহীগী এপ্রিল ৪ দগী ১৫ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি ক্বিন্সলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমস অদুদা শরুক য়াদুনা মকোক থোংবা ঙম্নবা হোৎনবনা মহাক্কী খ্বাইদগী নকপা টার্গেট ওইরি।

মদুগী মখা তারকপদা বোক্সর অসিনা পায়খৎক্কদবা অমসুং শরুক য়াগদবা টুর্নামেন্টশিং অদু মতমগী মতুংইন্না শুংশোয় শোয়দনা লাক্কনি হায়খি।

এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সরশিংগী মনুংদা অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড মেডল ফংলকখিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি ওলিম্পিক্স ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট এমসি মেরি কোমনা মশান্না অসিদা মহাক য়াম্না নুংঙাইবা অমদি ৱাখল ৱাদনা শান্নবা ঙল্লি।

মসিনা মতম শাংনা লৈবা ঙল্লবা অমদি মহাক্কী ত্রেনিং মপুং ফাবা ঙম্বা তারবদি কেজি ৪৮ কেটেগোরি অসিদা মহাক্না অকিবা মালেমগী বোক্সর অমত্তা লৈতে হায়না মখা তাখি।



*এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিংগী গোল্ড লৌখ্রবী এমসি মেরি কোম*

## ফুটবোলগী লমদা ইন্দিয়া য়াম্না চাউবা কৈথেল অমা ওইরগনি মদুমক লৌশিনবা পাম্মী ঃ হাসন অল থৱাদি

*দোহা, নবেম্বর ০৯ঃ*

কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ওর্গনাইজিং কমিতিগী দেলিবরি এন্দ লিগেসিগী সুপ্রিম কমিতিগী সেক্রেটরি জেনরেল হাসন অল থৱাদিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া অসি ফুটবোলগী অচৌবা কৈথেল অমা ওইরক্কগনি। মসিগীদমক মহাক্না কৈথেল অদু লৌশিনবা পাম্মী হায়না পাউগী সভা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফাগী কুমজা ২০১৮ দা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগী মতুং কটারনা কুমজা ২০২২ দা য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই এসিয়াদা অহানবা ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসি কুমজা ২০০২ দা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা পুন্না য়ুম্বু ওইমিন্নদুনা পাঙথোকখিবনি। মদুগী মতুং কটারনা এসিয়াগী অনীশুবা লৈবাক ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি।

ফিফাগী মেন্স সেনিয়রগী পুৱারীদা এসিয়ানা অনীরকশুবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক কটারগী ওইনা দেলিভরি অমসুং লিগেসিগী সুপ্রিম কমিতিগী সেক্রেটরী জেনরেল ওইরিবা হাসন অল থৱাদিনা অখন্নবা পাউমীশিংগা উন্নখিবা অদুদা মখা তারদুনা হন্দক্তা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লোইশিনখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইখিবা ইন্দিয়ানা মশান্না অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ফিফাগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ১৯৮৫ দা চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবনি। ৱার্ল্ড কপ অদুদা তিনখিবা ভাবক মশীং অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা রেকোর্দ ওইদুনা লাকখিবনি। অদুবু মমাঙ থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা চাইনাগী টুর্নামেন্ট অদুদা তিনখিবা ভাবক মশীং অদু য়াম্না হেন্দুনা থুগাইবা ঙম্বদগী ফুটবোল মশান্না অসিগী অচৌবা কৈথেল অমা ওইরগনি হায়বসি মালেম শিনবা থুংনা খঙহনবা ঙমখি।

ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা কটারগী ২০২২ দা ফিফা ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকদবা অদুগী ওর্গনাইজিং কমিতিগী সুপ্রিম কমিতিগী সেক্রটরী জেনরেল হাসন অল থৱাদিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল এসোসিয়েসননা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইনা হোৎনখিবা থবক থৌরমশিং অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইখি। মরম অদুনা মশান্না অসিদা তুংগী ওইবা কৈথেল য়েংনরুবদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মরুওইবা ফুটবোল পামজবা লৈবাক ওইরি হায়খি।

কটারনা ইন্দিয়াগা খূৎশম্নদুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মালেমগী অচৌবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং য়ুম্বু ওইবগী লম্বেলদা কোক চুংশিন্নদুনা থবক পায়খৎমিন্নরবদি এসিয়াদা চাউনা মায় পাকপা ওইবা ঙমগনি হায়না থমখি।

কটারনা কুমজা ২০২২ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইবা অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু শেল–থুমগী মায়কৈদা কান্নবা কয়া ফংগনি হায়বগী থাজবা থমখি। ফুটবোলগী মীয়ামদা পাম্নরিবা চাং অসি য়েংলুরগদি স্পোর্টস টেক্নোলোজি হব অসি ইন্দিয়ানা নৌনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লৈবাক অমা ওইদুনা কান্নবা কয়া পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা অখন্নবা পাউমীশিংগা উন্নবা পাউগী সভা অদুদা কুমজা ২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা এসিয়াগী লৈবাক কটারগী ওর্গনাইজিং কমিতিগী দেলিভরি এন্দ লিগেসিগী সুপ্রিম কমিতিগী সেক্রটরী জেনরেল ওইরিবা হাসন অল থৱাদিনা ফোঙদোকখি।



*হাসন অল থৱাদি*

## ন্যু জিলেন্দগী নুপীগী টিমনা পাকিষ্টানগী টিম্বু অনীশুবা টি–২০দা রন ৩৯দা মায়থিবা পীখ্রে

*সারজা, নবেম্বর ০৯ঃ*

ন্যু জিলেন্দগী নুপীগী টিমগা পাকিষ্টানগী নুপীগী টিমগা শান্নবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ন্যু জিলেন্দনা রন ৩৯দা মায়থিবা পীখ্রে।

য়ু এ ইগী সিটি সারজাদা লৈবা সারজা ক্রিকেট এসোসিএসন ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ন্যু জিলেন্দনা টোস ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। মদুদা ন্যু জিলেন্দগী বেটচৱুমেনশিংনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫০ লৌবা ঙমখি।

ওপন্নর ওইখিবা সোফি দেবিন অমসুং কেপ্তেন সুজি বেটসনা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংসকী অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা য়াম্না ফজবা মওংদা রন ১১৬ লৌবা ঙমখি। তরামরীশুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা সোফি দেবিননা বোল ৪৪দা রন ৭০ লৌবা ঙমখি।

মহাক্না বোল ৪৪দা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরল্লগা রন ৭০ লৌদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা টিম অদুগী খ্বায়দগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটচৱুমেন ওইখি।

মহাক্কী মহুৎ কেটি পর্কিন্সনা শিনখি। মখোয় অনীনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৯ হাপচিনবা ঙমখি। অপুনবা স্কোর রন ১২৫ য়ৌরকপদা ওপনর ওইখিবী কেপ্টেন সুজি বেটচ বোল ৪৩ দা সিক্স ১ গা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫২ লৌরমখি।

কেপ্টেন সুজিগী মহুৎ শিল্লকখিবী এমী সেটরৱাইতেনা টিম অদুগী মখা তাবা ইন্নিংস অদুগী স্কোর ১৩৬ য়ৌহনখি। ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচ অদুগী ১৭শুবা ওভরগী মরিশুবা বোলদা কেতি পর্কিন্স রন ৪ খক লৌরল্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবী ৱিকেটকিপর কেতি মার্টিন রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

লেমহৌবা ওভর ২ গা বোল ২ দা ন্যু জিলেন্দগী বেটচৱুমেনশিং অদুনা কা–হেন্না ফজবা ঙমদবদগী ওভর ২০লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫০ দা মখোয়গী ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

পাকিষ্টানগী নুপীগী বোলরশিংগী মায়কৈদা সাদিয়া য়ুসুফ অমসুং জাবেরিয়া খাননা ন্যু জিলেন্দগী বেটচৱুমেন ২।২ আওট তাহনবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা বোলর নসরা সান্ধুনা বেটচৱুমেন অমা আওট তাহনখি।

পাকিষ্টাননা ন্যু জিলেন্দগা শান্নবা টি–২০ গী অনীশুবা মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা ওভর ২০ দা রন ১৫১ লৌবগী টার্গেট লৈখি। টিম অদুগী ওপনর নাহিদা খান অমসুং সিদ্রা আমিন ওভর ৫ পুন্না শান্নমিন্নবদা রন ২৯ খক হাপচিনবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিং অদুনা পাকিষ্টানগী বেটচৱুমেনশিং অদুবু রন লৌহন্দবা ঙমখি। পাকিষ্টানগী ইন্নিংস অদুগী ওপনর ওইখিবী নাহিদা খান অমসুং সিদ্রা আমিননা রন ২৯ লৌদুনা লৈরিঙৈ ৬শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা স্রিদা আমিন রন ১৮ দা আওট ওইখি।

আমিননা বোল ১৯ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৮ খক লৌরমখি। কেপ্টেন বিসমা মারুফনা আমিনগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরকপদা ওপনর নাহিদা খানগা লোয়ননা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা শুপ্নগী রন ১৭ খক হাপচিনবা হৌবদা ঙাইরিঙৈদা ওপর নাহিদা খান বোল ২৬ মায়োক্নরগা ফোর অমখক য়ৈরগা রন ২২ দা আওট ওইখি। মতম অদুদা পাকিষ্টানগী নুপীগী টিমগী স্কোর অদু রন ৪৬ লৈখি।

পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী অপুনবা স্কোর ৭০ শুরকপদা কেপ্টেন বিসমা মারুফ বোল ১৮ দা রন ১৫ লৌরল্লগা ইন্নিংসকী ১৩শুবা ওভরদা আওট ওইখিবদগী পাকিষ্টানগী অহুমশুবা ৱিকেট তুখি।

পাকিষ্টানগী ৫শুবা বেটচৱুমেন আলিয়া রিয়াজনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শুপ্নগী বোল ২২ দা সিক্স অমসুং ফোর অমমম য়ৈদুনা রন ২৩ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ইন্নিংস ওইখি। মহাক মেটচ অদুগী ১৯শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা আওট তাখিবনি।

মখা তাবা পাকিষ্টানগী বেটচৱুমেনশিং ফজবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদুগী ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা টিম অদুগী বেটচৱুমেন ৭ আওট ওইরগা রন ১১১ খক লৌবা ঙমখিবা মরম্না ঙসি য়ুএইগী সিটি সারজাদা লৈবা সারজা ক্রিকেট এসোসিয়েসন ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌনবা অনীশুবা টি–২০ মেটচ অদু রন ৩৯ দা মায়থিবা নংখি। ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী বোলর অয়াম্বা ফজখি। অদুবু এমি সেটরৱাইতেনা ৱিকেট ২ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।



*পাকিষ্টানগী বেটচৱুমেন অমবু ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেট কিপরনা ষ্টম্পিং তৌদুনা অম্পয়ারদা আপিল তৌখিবা*

## ইন্টরনেসনেল হুপাথোন সেরিজদা ইন্দিয়াগী কেরলা ওল ষ্টার্সনা মেলবোর্নগী রিংৱুদ হোক্সপু য়াম্না ফজবা মওংদা পোইন্ট ৬৪–৫৫ দা থোইখ্রে

*কোটায়াম, নবেম্বর ০৯ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টেট কেরলানা য়ুরম্বু ওইরগা চত্থরিবা মেটচ ৫ গী ইন্টরনেসনেল হুপাথোন সেরিজ বাস্কেটবোলদা ষ্টেট অদুগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা কেরলা ওল ষ্টার্স টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম মেলবোর্নদগী লাকপা রিংৱুদ হোক্স টিম্বু টিম অদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা পোইন্ট ৬৪–৫৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ ৫ গী সেরিজ অদুদা হৌখিবা মেটচ অনী মেলবোর্নগী রিংৱুদ হোক্স টিম অদুনা কেরলা ওল ষ্টার্সপু মায়থিবা পীখ্রবা মতুং ঙসি অহুমশুবা মেটচ অদু শান্নখিবনি।

কেরালগী কোটায়ম সিটিদা লৈবা স্পোর্টস কাউন্সিল ইনেদার ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সেরিজ অদুগী অহুমশুবা মেটচ অদু য়ুম্বু টিম অদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ভাবকনা পীক থনখিবা ষ্টেদিয়ম অদুদা কেরলা ওল ষ্টার্সপু রিংৱুদ হোক্সনা মেটচ ৫ গী সেরিজগী অহুমশুবা মেটচ অদুগী অহৌবা ক্কার্টর অদুদা পোইন্ট ১৪–১০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা ক্কার্টরদা কেরলা ওল ষ্টার্সকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা রিংৱুদ হোক্সপু পোইন্ট ১৮–১১ দা মাঙজিল থাদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা কেরলা ওল ষ্টার্সনা মেলবোর্নগী রিংৱুদ হোক্সপু পোইন্ট ২৮–২৫ তা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সেরিজ অদুগী অহানবা মেটচ অনী মায়থিখ্রবা কেরলা ওল ষ্টার্সনা ঙসি শান্নখিবায়াম্না মরুওইবা অহুমশুবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা রিংৱুদ হোক্স টিম অদুদগী পোইন্ট ৩ হেল্লগা চৎখিবা অদু মখা তানা কেরলা ওল ষ্টার্সনা অনীশুবা হাল্ফকী অহানবা ক্কার্টর অদুদা ফজবা হেনবা ঙমদুনা পোইন্ট ২০ ফংখিবদা মেলবোর্নগী টিম অদুনা পোইন্ট ১৭ ফংখি।

মেটচ অদুগী অরোইবা ক্কার্টর শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা পোইন্ট ৬ হেল্লগা ৪৮–৪২ মাঙজিল থাদুনা চৎখি। ক্কার্টর অদুদা কেরলা ওল ষ্টার্সনা পোইন্ট ১৬ লৌখিবা অদুগা রিংৱুদ হোক্সনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা মেটচ অদুগী অপুনবা স্কোর অদু ওল ষ্টার্সনা রিংৱুদ হোক্সতগী পোইন্ট ৯ হেল্লগা ৬৪–৫৫ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ অসিদা মেটচ ১–২ দা শোত্থদুনা লৈরি।



*কেরলা ওল ষ্টার্স অমসুং রিংৱুদ হোক্সনা শান্নখিবা বাস্কেটবোল মেটচতা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.806/SDC/IW(K) /2017

Kamei Gaidhaongaw Rongmei S/o (L) Khanguilung Rongmei Konthoujam Mamang Leikai
Petitioner

-Vs-

Late K. Mani Kabui S/o Khoudon of Konthoujam Mamang Leikai
O.P.Party

**NOTICE**
The 7/11/2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নং K. Mani Kabui পীঃ Khoudon সাং Konthoujam Mamang Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 86-Konthoujam গী অনৌবা পট্টা নং 617 (New) দাগ নং 1188 অমসুং এরিয়ানা .79 acre চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/3576/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mutation Case No.2288/SDC/IW(C) 8/11/2017

Naorem Raghumani Singh S/o (L) N. Jugeshwar Singh of Sangaiprou Mamang Leikai
Petitioner

-Vs-

Late Naorem Jugeshwar Singh (L)Toyaima Singh of Sangaiprou Mamang Leikai
O.P.Party

**NOTICE**
Imphal, the 9/11/2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Naorem Jugeshwar Singh পীঃ (L) Toyaima Singh সাং Sangaiprou Mamang Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহসিলগী খুল নং 85- Sagolband গী অনৌবা পট্টা নং 3453 / 7039 অরিবা পট্টা নং --- দাগ নং 13174 / 13276 অমসুং এরিয়ানা .0130 (হেক্তর) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/3575/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 1105/SDC/P of 2017

Laishram (O) Ibeyaima Devi W/o L. Achoubi Singh of Kongba Laishram Leikai
Petitioner

-Vs-

L. Achoubi Singh S/o (L) Chandrahas Singh of Kongba Laishram Leikai
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 9 / 11 / 2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 33-Kongba Nongthombam Leikai গী Patta No. 51 (অনৌবা) 96 (অনৌবা) C.S. Dag Nos.67 an area 0.245 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লমশিং অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/3574(d)/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 1106/SDC/P of 2017

1. Moirangthem (N) Sorojini Devi D/o (L) M. Ibechaobi Devi of Sagolband Bijoy Govinda Mamang Leikai
2. M. Saratkumar Singh S/o (L) M. Ibechaobi Devi of Singjamei Mathak Thokchom Leikai
Petitioners

-Vs-

M.(O) Ibechaobi Devi W/o Tomchou Singh of Singjamei Thokchom Leikai
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 9 / 11 / 2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38-(A)-Palace Compound গী Patta No. --- (অনৌবা) 421 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 4571/ 4655 an area 0.056 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লমশিং অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/3574(c)/10